শ্রি লঙ্কান অমা মীয়াম্না হাৎখিবা অদু পাকিষ্টানগী ওইনদি খ্বাইদগী ইকাইনিঙাইনি

লাহোর, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :

পাকিষ্টানদা লৈবা শ্রি লঙ্কান ফেক্টরি মেনেজর অমা মীয়াম্না শিবা য়ানা ফুরবা মতুং মৈ থাদুনা হাৎখিবগী থৌওং অদু লৈবাক অসিগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না ইকাইনিঙাইনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা ৱাখল খন্থবা ৱাৎপা মীওই খুজোক খরনা ইস্লাম্বু মায়থিহন্নবা হোৎনরি হায়না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লাইবক থিবা থৌদোক অসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক থৌরম খুদিংমক মহাক মশানা হকথেংননা য়েংশিনগনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অমত্তা লেম্না থারোই। মখোয়গী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন শুকশোয় শোয়দনা লৌখৎকনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৫০ হেন্না পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখোয় ৱাহং পাউহংগী থবক চথুরি হায়রি।

অমরোমদা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকরকখিবগী মতুংইন্না থৌদোক অদু লৈবাক অসিগী কোনুং ইস্লামাবাদতগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা কিলোমিটর ২০০ রোম চৎলগা লৈবা সিঅলকোটতা থোকখিবনি। হায়রিবা মফম অসিদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু মহাক্কী কার তোংদুনা লাকখি। অদুবু হান্না মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই খরনা মহাক্কী গাড়ী অদু খাল্লবা মতুং মহাকপু গাড়ীদগী চিংথোক্তুনা ফুবা হৌরকখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা থাদোরকখিবা ভিদিও ফুটেজ অমদা মশিং য়াল্লবা মীওইশিং অদুনা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা খোল্লাউ কয়া লাওখিবগা লোয়নননা শ্রি লঙ্কান অদুবু শিবা য়ানা ফুরবা মতুং মৈ থাদুনা হাৎখিবনি। মহাক্না তোংলকখিবা কার অদুসু মীয়াম অদুনা মৈ থাদুনা মাঙহন তাকহনখি। করি মরমগীদমক মীওই অদু হাৎখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। সোসল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবা ভিদিও অদুদা লাউরিবা খোল্লাউশিং অদু টেহরিক-ঈ-লবাইক পাকিষ্টানগী থৌমীশিংনা শিজিন্নবা খোল্লাউনি। হায়রিবা পার্টি অসিগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবশিং মমাং থাদা পাকিষ্টান গভর্নমেন্টনা লৌথোকখিবনি হায়রি।

ঙমখৈগী শরুক্তা রসিয়ানা ট্রুপ ১,৭৫,০০০ দিপ্লোয় তৌনবা শেম শারি : রিপোর্ট

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :

য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী লৈবাক অনীগী ঙমখৈগী শরুক্তা অকনবা মওংদা উংখৎনরিঙৈ মরক অসিদা রসিয়ানা মথং চহীদা চয়েৎনরিবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা ট্রুপস ১,৭৫,০০০ থাজিন্নবা শেম শারি হায়না ৱাশিংটন পোষ্টকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না, য়ুক্রেননা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা রসিয়ানা মথং চহী হৌগৎলকপগী অঙনবা শরুক্তা অচৌবা এটেক অমা চথুরকপা য়ানা লৈ হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। য়ুক্রেনগী মায়কৈদগীসু করিগুম্বা রসিয়ানা অহেনবা থবক থৌওং চথুরক্লবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে করিগুম্বা নাকল অনীগী মরক্তা লৈবাক্কী ওইবা লান থোরক্লবদি য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদসু চাওনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

অমরোমদা হিরম অসিগা মরী লৈননা পেন্টাগোনগী ৱাঙাংলোয় লেফটনেন্ট কোলোনেল টোনি সেমেলরোথনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা ঙমখৈগী শরুক্তা উংখৎনরিবা অসি তরায়না লৌদে। খুৎলায় পায়দুনা মুক্লবনা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনশিং অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙম্লোই। মসিগী মায়োক্তা য়ু এসনা লেপকনি। ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা রসিয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই। ঙমখৈগী শরুক্তা রসিয়ানা অহেনবা ট্রুপশিং দিপ্লোয় তৌবা হৌখ্রবা মতুং উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকপা হৌরকখিবনি। মরম অদুনা রসিয়ানা ঙমখৈগী শরুক্তা দিপ্লোয় তৌরিবা ট্রুপশিং লৌথোক্তুনা পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শাদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবনা খ্বাইদগী হেন্না ফবা খোঙথাং ওইগনি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা লান থোরকপা মতমদা মাগী মাগী মীচং খোম্নবগী থবক থৌওং চথুরকপা য়াই। মসিনা মরম ওইরগা মালেমদা অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোকহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ। অমরোমদা রসিয়ানা য়ুক্রেন লৌশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি য়ু এসনা কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

য়ুক্রেনগী দিফেন্স মিনিষ্টর ওলেকসি রেজ নিকোভনা ঙমখৈগী শরুক্তা রসিয়ান ট্রুপস লাক্ষ ১ রোম দিপ্লোয় তৌদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু রসিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা ঙমখৈগী শরুক্তা মিলিটরি বেজ অমত্তা দিবলপ তৌবা লৈতে হায়রি।

পুঙ ২৪ গী মনুংদা কোভিদগী অনৌবা কেস ৫,৩৫২ থেংনখি

সিওল, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :

হৌখিবা পুঙ ২৪ গী মনুংদা সাউথ কোরিয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলকখিবগা লোয়নননা হায়রিবা মতম অসিদা অনৌবা কেস মাং ৫,৩৫২ থেংনখিবগা লোয়নননা মীওই ৭০ শিহনখি হায়না কোরিয়া দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোনগী কেস ৯ সু লৈবাক অসিদা থেংনখ্রে। মরম অদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। লৈবাক অসিগী কোনুং সিওলদা লৈবা হোটেলশিং, রেষ্টুরেন্টশিং অমদি সিনেমা হোলশিংদা মীয়াম্না লাকপা মতমদা ভেক্সিন পাস শুকশোয় শোয়দনা উৎকদবনি হায়না গভর্নমেন্টনা ঙরাং লাউথোকখ্রে।

মী পুনবগী চাংসু হান্নদগী হন্থহল্লগনি হায়না গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা প্রাইভেট গেদরিংদা মীওই ১০ পুনবদা অয়াবা পীরম্বা অদু ৬ তা হন্থখ্রে অদুগা সিওলগী ৱাংমদা মীওই ১২ পুনবদা অয়াবা পীরম্বা অদুনা ৮ দা হন্থখ্রে। হায়রিবা অসি নিংথৌকাবা নুমিত্তগী চৎনবা হৌগদবনি হায়রি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী মরক্তা ৭৫২ গী ফিভম লুনা লৈরি। মখোয় আই সী য়ুদা থমদুনা ট্রিটমেন্ট চথুরি। হান্নগী অৱাবা কোক্ত্রিঙৈ মরক্তা ওমিক্রোননা অমুক হন্না চৈথেং পীরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মীয়াম মীপাইনখ্রে হায়রি।

ট্রেন এক্সিদেন্টতা মীওই ৩ শিরে, কয়ানা শোক্লে

ৱাশিংটন,দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :

য়ু এসতা ঙসি নুমিদাংৱাইরম থোকখিবা ট্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবা মীওই ৩ শিহনখ্রে অদুগা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না রেল ওপরেটর অম্রাকনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তান্না ফোঙদোকখিবদা, ট্রেন অদুদা চাওরাক্লা পেসেঞ্জর ১৪১ অমদি ক্রু মেম্বর ১৬ তোংখি। কম্পার্টমেন্ট ৮ পুবা ট্রেন অদু চিকাগোদগী সীটল তানা চৎখিবনি। নোর্দন মোন্টানাগী মনুং চনবা রেল ট্রেক অমদা খঙহৌদনা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি। এক্সিদেন্ট থোকপগী পাউ হেক ফংবগা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চথুবা হৌখি। অহানবগী ওইনা রেস্ক্যু ৱার্করশিং অদুনা মীওই ৩ গী অশিবা হকচাং থেংনখি। অশোকপা মীওই কয়া অমসু পুথোরক্তুনা খুদক্কী ওইবা ট্রিটমেন্ট পীরবা মতুং এম্বুলেন্সশিংনা মনাক নকপদা লৈবা হোস্পিটালদা পুদুনা চৎখ্রে।

থৌদোক অদুদা মীওই ৩ শিখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবসু অশোকপা মশিংদি মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। থৌদোক অদু য়াম্নমক লাইবক থিবনি অমদি মীওই ৩ শিহনখিবা অদুনা অমুক্কা হেন্না নুংনাংবা পোকহল্লে হায়না লোকেল শেরিফ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা ফোঙদোরকখিবদা, হৌজিমক্কী ওইনদি মতৌ করম্না এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ভিদিও ফুটেজশিংদসু মতৌ করম্না ট্রেন অদু রেল ট্রেক্তগী হায়দোক্তুনা লম্বী নাকলদা লোংখিবনো হায়বদু উবা ফংদ্রি। টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরবসু চপ চাবা মরম খঙদোক্লবগীদমক অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা থিজিনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

কনাদাগী ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈবা রেল ট্রেক অসি মতম কয়াগী মমাংদগী শেমজিন্দনা লাকখিবনা মরম ওইরগা ট্রেক অসিদা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং ৱাংলি। থা খরগী মমাংদসু হায়রিবা ট্রেক অসিদা এক্সিদেন্ট থোকপদগী মীওই কয়া শিহনখিবগী থৌদোকসু লৈখ্রে।

খুৎলায় পায়বশিংগী এটেকতা মীওই ৩৪ শিরে, ৭ শোক্লে

অবুজা, দিসেম্বর ০৪(এজেন্সী) :

নাইজেরিয়াগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা খুঙ্গং অমদা ঙরাং খুৎলায় মতিক চানা পায়বা শকখঙদবা মীওইশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৪ শিহনখ্রে অদুগা ৭ না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট সিক্যুরিটি কম্মিস্নর সম্যুএল অরুৱাননা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদু কাদুনা ষ্টেটকী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা মদামাই খুঙ্গংদা থোকখিবনি। ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মদামাই খুঙ্গংদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা শকখঙদবা মীওই ৪০ রোম লাক্লগা এটেক অদু চথুরমখিবনি। খুঙ্গং অদুদা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা এটেক চথুবগী পাউ হেক ফংবগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মফম অদুদা খোংলৈ থুনা চঙশিনখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম অদু য়ৌবগা হান্না লৈরম্বা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু মখোয় তম্না নোংমৈ কাপখি। পুঙ ১ রোম নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। মদুগী মতুং খুৎলায় পায়বশিং অদু মমশিল্লকপগী খুদোংচাবা লৌরগা মফম অদুদগী চেনখিবনি হায়রি। খুৎ থোক্লবগী থৌদোক লোয়খ্রবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখিবা থি হুম্বগী থবক অমদা চিংননিঙাই ওইবা মীওই অনী ফাবা ঙমখ্রে। মখোয় হৌজিক ৱাহং পাউহংগী থবক চথুরি হায়না অরুৱাননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কুক আইলেন্দদা ইহান হানবা কোভিদকী কেস ১ থেংনরে

ৱেলিংটন, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা অকনবা মওংদা চৈথেং পীখ্রবসু চহী অনীরোম অসিদা লায়চৎ অসিগী চৈথেং অমত্তা ফংদনা লাকখিবা কুক আইলেন্দদা ঙসি ইহান হানবা ওইনা কোভিদ-১৯ গী কেস অমা থেংনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মীওই ১৭,০০০ রোমতমক খুন্দাদুনা লৈরিবা ঈথৎ লৈবাক অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক হেক হৌরকপদগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগা শম্নদনা লাকখিবনি। ভেক্সিনেসনগী ওইনসু মালেমগী লৈবাকশিংদগী ঈথৎ লৈবাক অসিনা খ্বাইদগী হেন্না মাঙজিন থাদুনা চৎলি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৯৬ তি কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফুল দোজ কাপখ্রে। অদুবু হৌখিবা থা অমরোম অসিদা ঈথৎ লৈবাক অসিনা হান্নগুম অতোপ্পা লৈবাকশিংগা চঙথোক চঙশিন তৌননবা শেম শারিঙৈ মরক অসিদা ইহান হানবা কেস অমা ঙসি থেংনখিবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঈথৎ লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর মার্ক ব্রাউননা ফোঙদোকখিবদা, মশাগী চহী ১০ রোম শুরবা নুপামচা অমদা কেস অসি থেংনখিবনি। হায়রিবা নুপামচা অসি হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট অমদা লৈবাক অসিদা মহাক্কী ইমুং মনুংশিংগা লোয়ননা থুংলখিবনি। মখোয় ন্যু জিলেন্দদগী লাকখিবনি।

মতম শাংনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুকশিং থিংজিন্দুনা লাকখিবনা মরম ওইরগা মফম অসিদা লমকোয়বা কয়া লাকপা লেপখ্রে। ঈথৎ লৈবাক অসিগী মরুওইবা ইনকম অসি টুরিষ্ট সেক্টরনা ওইরি। মরম অদুনা অমুক হন্না ঙমখৈগী শরুকশিং থিংজিন্দুনা লাকখিবা অদু হাংদোক্লবা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা কোভিদকী কেস অমা থেংনরকখিবা অসি লাইবক থিবনি। মখা তানা লায়চৎ অসিনা চৈথেং পীরক্তনবা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ন্যু জিলেন্দদগী লৈবাক অসিদা থুংলবা মীওই খুদিংমক নুমিৎ ১৪ নি ক্বারনটিন তৌদুনা লৈনবা খঙহনখ্রে। মীয়াম্নসু কোভিদকা মরী লৈননা শেমখিবা রুলশিং ঙাক্না চৎকদবনি হায়রি।

খ্বাইদগী ৱাংবা চীং খুদিংমক কাননবা পান্দম থল্লি : কাসিফ

লাহোর, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা মাউন্ট এভরেষ্ট অমসুং অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা কে ২ চিংদোল তম্না মায় পাক্না কাবা ঙমখিবশিংগী মনুংদা শেহরোজ কাসিফনা খ্বাইদগী চহী নৌবা চীংগারোই ওইরি। চহী নৌরিবা চীংগারোই অসিনা মালেমদা লৈরিবা খ্বাইদগী ৱাংবা চীং ১৪ মক কাননবা পান্দম থল্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মশাগী চহী ২০ লোম শুরবা কাসিফনা ফোঙদোকখিবদা মাউন্ট এভরেষ্ট অমসুং কে ২গী চীংদোল মায় পাক্না কারুরে। মখা তানা মালেমদা লৈরিবা মিটর ৮০০০ গী মথক্তা লৈবা চীং খুদিংমক কাননবা পান্দম থল্লি। মহাক্না কে ২ চিংদোল য়ৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। অদুবু মহাক্কী খ্বাইদগী নিংবা কায়খিবা থৌদোক্তি কে ২ গী চিংদোল য়ৌবা ঙমদনা চীংগী নাপোমদা শিদুনা তাহৌরিবা হকচাংশিং অদুবু কাম্থোক্তুনা য়েংলগা চৎখিবা মীকুপ অদুনি।

মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা চীংগারোই ওইরিবা আইসলেন্দগী জোন স্নোরি, চিলিগী জুৱান পাব্লো মোহর অমদি পাকিষ্টানগী লিজেন্দরি ওইরিবা অলি সদপারাগী অশিবা হকচাংশিং মহাক্না থেংনখি। মখোয়গী হকচাংশিং অদুবু কাম্থোক্তুনা চৎপা মতমদা মহাক মায়থিরবা চীংগারোই অমা ওইনা খঞ্জখি। খোঙফম অমা শোয়বদা মহাক্কী পুন্সিসু মাঙখিবা য়াবগী ওইথোকপা য়ারিবা মফম অদুদগী মতোল য়ৌনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া খাঙখি হায়রি।

রসিয়াদা কোভিদ-১৯ না ওক্টোবর থা খক্তদা মীওই ৭৫,০০০ রোম শিহনখি

মোস্কো, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :

রসিয়াগী ফেদরেল ষ্টেটিটিক্স এজেন্সি রোজাটনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চহী অসিগী ওক্টোবর থা খক্তদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা মীওই ৭৫,০০০ রোম শিহনখি। কোভিদ পেন্দমিক হৌগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা লায়না লায়চৎ অসিনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবা থা ওক্টোবর থানা ওইরে হায়রি।

এজেন্সি অসিগী রিপোর্ট মতুংইন্না, লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা চৈথেং পীবা হৌরকখিবা নুমিত্তগী ঙসিফাওবদা মীওই ৫,২০,০০০ হেন্না শিহনখ্রে। লায়না লায়চৎ অসিনা মী খ্বাইদগী শিহনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা রসিয়ানা অহুমশুবদা লৈরি। গভর্নমেন্ট ওফিসলগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি লায়চৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং অসি ২,৭৮,৮৫৭ খক্তনি হায়না ফোঙদোক্লি। অদুবু এজেন্সি অসিনা থিজিল্লুবা মতমদা মীওই লাক্ষ ৫ হেন্না শিরম্বা থেংনখিবনি।

লৈবাক অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীশি মীনা কা হেন্না থোকহল্লবসু ভেক্সিন কাপ্পগী চাংদি য়াম্না নেম্লি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৪০ রোমতমক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ মপুঙ ফানা কাপ্লি।

‘টাইৱান খুদুম চন্নবা হোৎনরক্লবদি চাইনানা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপা য়াই’

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) :

চাইনানা টাইৱানবু নম্ফুদা লৌশিন্নবা হোৎনরক্লবদি তুংদা অচৌবা ক্রাইসিস অমা থোক্লকপগা লোয়নননা চাইনানা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপা য়াই হায়না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকননা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা চাইনানা ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থরগা ফিরেপ লৌবগী মতম ওইরে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈনা ব্লিনকননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, টাইৱান ষ্ট্রেটতা চাইনানা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্নবা শিল্লোইদবনি। ঙমখৈগী শরুক্কা মরী লৈননা চাইনানা হৌখিবা চহী খরা অসিদা কা হেনবা থৌওং কয়া চথুরক্লি। মসি লাইবক থিবনি। মখা তানা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী মায়োক্তা চাইনানা থবক তৌদনবা হোৎনগদবনি। য়ু এসকী ওইনদি মমাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদা লেংদনা লেপ্লি। টাইৱাননা মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা য়ু এসকী মায়কৈদগী মপুঙ ফানা মতেং পাংগনি। টাইৱান মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইনা মালেমগী লৈবাকশিংনা শকখঙলি হায়বসি চাইনানা কাউরোইদবনি হায়রি।

অমরোমদা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলকখিবা অদুবু পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শাদুনা লোয়শিন্নবা হোৎনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা ইথিওপিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদসু মালেমগী লৈবাকশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপগী মতম ওইরে হায়না এন্টোনি ব্লিনকননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7330/3-31(alt)

In the High Court of Manipur
at Imphal

M.C.(W.P.(C)) No. 126 of 2019
with WP(C) 367 of 2019
with M.C.(W.P.(C)) No. 8 of 2021
with M.C.(W.P.(C)) No. 9 of 2021
with M.C.(W.P.(C)) No. 35 of 2019 &
WP(C) 620 of 2018

Rameshwor Waikhwa, aged about 52 years, S/o Jugeshwor Waikhom of Thoubal Achouba, P.O. & P.S. Thoubal, Thoubal District, Manipur, Pin – 795138 & Ors.

… Petitioner

– Versus –

The State of Manipur represented by the Commissioner/Secretary (Revenue), Government of Manipur, Manipur Secretariat, Babupara, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur – 795001 & Ors.

… Respondent

NOTICE UNDER ORDER I RULE VIII C.P.C

(SUBSTITUTED SERVICE)

To

All the interested persons

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 16.11.2021 passed in M.C.(WP(C)) No. 126 of 2019 directed the applicants to cause notice to the interested person to file Writ Petition under No. 367 of 2019 in its representative capacity for quashing the Corrigendum being No. 13/25/ALLOT/DC(TBL)/83 dated 3rd January, 2007 issued by the Deputy Commissioner, Thoubal and to cancel the Jamabandi under patta No. 2672 in respect of Dag No. 4476 related to The Standard English School, Thoubal.

The Hon'ble Court directed to issue notice to the interested persons by way of substituted service through one local Daily Newspaper having wide circulation in the District of Thoubal.

Now, therefore, notice is hereby issued to all the interested persons to object the application filed by the applicant seeking permission to file the writ in the representative capacity. So, you are required to appear before the Court on or before the returnable date *i.e.* 10.12.2021 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 3rd December, 2021.

By Order,

By: Mr. Th. Ibohal, Sr. Advocate

ASSISTANT REGISTRAR-I

HL-P/0845/5

TODAY TODAY

BUMPER HOUSIE

Organised by:

MONGSHANGEI KANBA APUNBA LUP

Under the aegis of

ALL CLUBS AND MEIRA PAIBI ORGANISATIONS OF MONGSHANGEI

Mongshangei, Imphal West.

Ticket Rate Rs.3000/-

HOUSEFULL

KIA SONET

DAY TIME

On Sunday the 5th December, 2021 at 2:30 pm

DAY TIME

VENUE: MONGSHANGEI BOROI MAKHONG LAMPAK

HL-P/0840/5